মীলালনা লূপ অহুমগা পুল্লগা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীতৈ ময়েকপু পাক শন্না তাকপী তন্বীবগী চথুরকপা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা এক্সপার্ট অমনা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা ৱা ঙাংখিবা



পেট্রোল, দিজল অমদি এল পি জি গ্যাসকী মমল লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা এপ্রিল ৮দা থা ১ চুপ্পা মণিপুরদা সী পি আইনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা পাউগী মীফম অমদা লাউথোকখিবা



স্পেসল কম্মান্দো এস পি ইন চার্জ টি ঐচ কৃষ্ণতোন্বীগী মীৎয়েং মখাদা খাবৈশোইদা লৈবা স্পিসল কম্মান্দো য়ুনিটকী ও সী এল বিভেকানন্দনা লুচিংবা টিম অমনা লম্লাই চীংফৈগী প্রেসবাইটেরিয়ন চর্চকী মনাক্তা নুপা অমা কানিগা কোন্ননা ফাগৎখিবা



দিসএবল পার্সন অমনা কার থৌদুনা ইন্দিয়া টুর তৌবগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর য়ৌরকখিবদা ষ্টেট প্লেটফোর্ম ওফ দিসএবল পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমদি হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা প্রেস ক্লবতা তরাম্না ওকখিবা



# নাটকী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অমদি খোরিরোলগী চহী অনী/অনী খূদিংগী পীবা মনা ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ফমখিবা মীফম্না ফোরম অসিনা চহী ২/২ খূদিংগী মণিপুরী খোরিরোল অমসুং নাটকী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা পীবা মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোক্লে হায়না দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরী খোরিরোল অমসুং নাটকী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মনা ফংগদবা মীওইশিং অদুদি থোইবী এৱার্দ ২০২১ (মণিপুর মতম ঈশৈ)দা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা লৈবী অয়েকপম নিঙোল চোংথাম ওংবী কমলা; দিনেশ্বরী সাহিত্য মনা ২০২২দা *হে লমকোইবা* হায়রিবা শৈরেং-লাইরিক অসিদা কাঞ্চিপুরগী মনুং চন্না লৈবা থোংজু পার্ট টুদা লৈবী হাওবম নলিনি; হুইরেম অমুবা অমসুং য়াইমবী এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, ফিশা-লোনশা)দা শীংজমৈ থোকচোম লৈকায়দা লৈবী লৌরেম্বম বিনো; প্রোফেসর চোংথাম মনিহার সিংহ এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, মণিপুর কলচর)দা নাওরেম খুল্লেম লৈকায়দা লৈবা খুল্লেম চন্দ্রসেখর; লাইরেনলাকপম ধনরবীর সিংহ লিটরেরী এৱার্দ ২০২২ (য়ং ক্রিয়েটিভ রাইটর-চহী ৩৫)দা *মতমগী মঙলান* শৈরেং-লাইরিক্তা খাঙবোক্কী লেনিন খুমনচা; লাইশোম ওংবী ইন্দ্রানি অমসুং লাইশোম গীতাবলি মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২দা *মুৎশিল্লক্লিবা লৈই* হায়বা ৱারীমচা লাইরিক্তা সগোলবন্দগী নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়দা লৈবী নেপ্রম ময়া; লাইশোম তোম্বা মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, ফোকলোর)দা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবা হঞ্জবম গৌরচন্দ্র শর্ম্মা; হুইরেম রঞ্জিৎ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম ফোক সোং)দা লম্বোই খোংনাংখোংদা লৈবা থোঙাম গোসে মৈতৈ; মাইস্নাম বাবু অমসুং পশোৎ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (আউটষ্টেন্দিং ৱিমেন ক্রিয়েটিভ রাইটর) মনাদা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৮দা লৈবী খাঙেম্বম ইবেতোন; অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমারী মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (আউটষ্টেন্দিং ৱিমেন ক্রিয়েটিভ রাইটর)গী মনাদা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈবা ৱাইখোম ইবোতোম্বী মঙাং; সোইবম মরাডোনা মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইভ এচিভমেন্ট লিটরেরি এৱার্দ)দা ৱাংখৈ খুনৌ, সোইবম লৈকায়গী ইরুংবম বসন্ত; গুরুময়ুম বালা দেবী এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, মীতৈ পূং)দা লংথবাল লেপ অৱাং লৈকায়গী সাপম কুল্লবীনি।

লোয়নন্না তখেল্লম্বম ওংবী হামোম চাওবীতোন দেবী ফ্রীদম ফাইটর মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, খোংজোম পর্ব্ব)দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ থাংজম লৈরক্তা লৈবী থাংজম নুংশি; ঙাঙোম ভানুমতি দেবী মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট মনোহরশাই)দা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবী হাওবম নিঙোল লোইতোংবম ওংবী সুমতি; কোইজম ধিরেন মেমোরিএল লিটরেরি এৱার্দ ২০২২দা হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা লৈবা শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা; দিবিনা তখেল্লম্বম নীংশিং মনা ২০২২ (চহী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অইবা-অইবী)দা *পুন্সিগী অতিয়া* শৈরেং-লাইরিক্তা খাইদেম অৱাং লৈকায়দা লৈবী থবাতোম্বী ঙাংবম; হাওরোকচম ঐঙ্ক্তাজিৎ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, নট ঈশৈ)দা থাংমৈবন্দ লাইরেহঞ্জবা লৈকায়দা লৈবা য়ুম্নাম যাত্রা; নোংথোম্বম মঙ্গী দেবী লিটরেরি এৱার্দ ২০২২ (ইংলিস)দা কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবা তায়েঞ্জম বিজয়কুমার; থোকচোম সনাজাওবী মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, মতম ঈশৈ)দা কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালদা লৈবা ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা শর্ম্মা; ফিজম রোতোনসনা মীতৈ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, শৈরেং)দা সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা লৈবা রাজকুমার ভুবনস্না; লোইতোংবম কালাচান্দ অমসুং লোইতোংবম ওংবী থম্বালঙাংবী মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, অরিবা মণিপুরী জগোয়)দা থৌবাল খুনৌদা লৈবী মাইবম তোন্দোন; এলাংবম দিনমনি অমসুং ইবেহাইবী লিটরেরি এৱার্দ ২০২২দা হিয়াংলম ময়াই লৈকায়দা ককচিংদা লৈবা মাইবম নবকিশোর; হৈগ্রুজম ইবুংঙোহল ট্রান্সলেসন এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, ট্রান্সলেসন)দা সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা খুমন্থেম প্রকাশ; ৱাংখৈরাকপম গৌতম মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (বেষ্ট সাইন্স রাইটর)দা উরিপোক অহন্থেম লৈকায়দা লৈবা প্রোফেসর হিদংময়ুম নন্দকুমার শর্ম্মনি।

এৱার্দ অসিগী মখা তারকপা ওইনা খাইদেম নবকুমার সিংহ মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, ক্রিয়েটিভ, মপাল মণিপুর)দা অসামগী বাসকান্দীদা লৈবা এম দি অব্দুস সহীদ চৌধুরি; ওইনাম নিংথেমজাও অমসুং ওইনাম ওংবী জাহ্নবী মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, মণিপুরী কলচর)দা ককচিং খুল্লেন মখা লৈকায়দা লৈবা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র; থিয়াম ইবোমচা মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, ক্লাসিকেল ম্যুজিক/দান্স)দা সেগা রোদ কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়দা লৈবী থিয়াম সুর্য্যমুখী; ৱাংখৈরাকপম কহ্নাই অমসুং নুপীমচা লৈমা মেমোরিএল এৱার্দ ২০২২ (লাইফতাইম এচিভমেন্ট, লাই হরাওবা)দা নম্বোল খাথোংদা লৈবা ৱাহেংবম লুখোই; গুরুময়ুম নরায়ন শর্ম্মা অমসুং গুরুঅরিবম জোন শর্ম্মা নীংশিং মনা ২০২২ (আউটষ্টেন্দিং মণিপুরী সিনেমা, দিরেক্টর, এক্টর, এক্ট্রেস)তা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা লৈবা অরিবম শ্যাম শর্ম্মনি। হায়রিবা এৱার্দশিং অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০/১০, সাইটেসন অমসুং সোল অমমমসু য়াওরি।

লোয়নন্না ডা. ইবেয়াইমা কলচরেল হার্মোনি এৱার্দ ২০২২গী মনাদা উচেক্কোন মখা লৈকায়দা লৈবা ডা. মোইরাংথেম কীর্ত্তিদা পীরগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সাইটেসন অমসুং সোল অমসু য়াওরি। খুমন্থেম প্রকাশ এৱার্দ ২০২২ (দিসএবল পর্ফোর্মিং অর্টিষ্ট)গী মনাদা বিষ্ণুপুরগী মনুং চনবা নিংথৌখোং খা লৈকায়দা লৈবী তখেল্লম্বম মন্দাকিনিদা মনা অসি লান্থোক্কনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, সাইটেসন অমসুং সোল অমসু য়াওরি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হায়রিবা তোঙান তোঙানবা হীরমদা পীগদৌরিবা মনাশিং অসি চহী অসিগী লাক্লিবা মে ১৭, লৈবাকপোকপা নুমীৎ দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ৬৪শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা লান্থোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# দি এফ ওগা খুঞ্জাশিং অমদি এন জি ওগা খুৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা থা অসিগী ৪দা দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর (সেন্ট্রেল) আর কে অমরজিৎ, তাওরেম খুলগী মীহুৎশিং অমদি সেফ ইনভাইরনমেন্ট কেম্পেন কম্মিটি হৈঙাংগী মেম্বরশিংনা এম ও এ অমা খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না সেফ ইনভাইরনমেন্ট কেম্পেন কম্মিটিগী চেয়রমেন এম ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, এগ্রিমেন্ট অসিগী মরুওইবা পান্দমদি তাওরেম খুল অমদি অকোয়বদা লৈবা উমংশিং পুন্না ঙাক শেনমিন্নদুনা মহৌশাগী খল কায়দনবা হোৎনবগা লোয়নন্না খুঙ্গং অসিগী মীয়ামদা ইফুৎতগী লাকপা ঈশিং ফিল্টর তৌরগা অফবা ঈশিং পীথকপগী পান্দমনি। নীংশিংবা য়াবদি হৌখিবা চহী ১০ মুক্তগী খুঙ্গং অসিগী অকোয়বদা লৈবা উমংশিং 'সেফ ইনভাইরনমেন্ট কেম্পেন কম্মিটি' হৈঙাং অমদি তাওরেমগী খুঞ্জাশিংনা পুন্না ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি। মদুগী মহয় ওইনা হৌজিক খুঙ্গং অসিগী চীংখোং-চীংয়াদা কংবা নাইদ্রবা ইফুৎশিং লৈবা হৌরক্লে।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পেনবদগী দি এফ ও, সেন্ট্রেল আর কে অমরজিৎনা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী নবেম্বর থাদা মুম্বাইদা লৈবা আই সী আই সী আই ফাউন্দেসনদা হায়জবদগী ৱাটর ফিল্ট্রেসন প্লান্ট অমা খুল অসিদা শাবা হৌখিবনি। প্লান্ট অসি অথুবদা লোইশিন্দুনা অফবা থক্লনবা ঈশিং খুঞ্জাশিংদা ফংহল্লগনি। তাওরেম খুলগী মায়কৈদগী তাওরেম ভিলেজ কম্মিটিগী সেক্রেটরি ৱাইখোম ইন্দ্রজিৎ, হৈঙাংগী ওইনা মুতুম ইনাওবী অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওইনা আর কে অমরজিৎনা খুৎয়েক অদু পীনখিবনি হায়রি।

# 'অইবা সোইবম সুরেশনা লৈখিদবসি ত্রিপুরা মণিপুরী খুন্নাইগী অমাঙবনি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): অইবা সোইবম সুরেশনা লৈখিদবসি ত্রিপুরা মণিপুরী খুন্নাইগী অমাঙবনি হায়না মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরাগী সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ত্রিপুরা খুৎমাবা অইবা সোইবম সুরেশ এপ্রিল ৪, ২০২২গী নুমীদাংদা তাইবংগী শিন্থা লোইরদুনা ঐখোয় খ্বাই ময়ামবু থাদোক্তুনা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা তীনখ্রে। অহল ওইরকপগী লায়নানা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা মহাক কুমজা ১৯৩২দা নিংথৌরোল পাল্লিঙৈ মতম হৌজিক্কী অগরতালাগী ধলেশ্বর মৈতৈগী লৈকায়দা পোকখি। সোসিওলোজি অমদি হকশেলগী মরমদা মাষ্টর লোইশিল্লবা মতুং ত্রিপুরা লৈঙাক্কী পব্লিসিটি ওফিসর অমা ওইনা লৈঙাক্কী থবক চঙখি। মথংদা হেল্থ ওফিসর অমা ওইদুনা মপান লমদা ষ্টদি খোঙচৎ কয়া চৎপগী খুদেংচাবা ফংখি। মহাক লূপ কয়াদা য়াওশিন্দুনা খুন্নাইগা নক্কা মরী লৈনরম্মী। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট ওইনা লমদমসিদা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং কলা সংস্কৃতি চাউখৎনবা হোৎনবদা থৱায় য়াওরম্মী।

সাহিত্যদা 'তখেনদা মৈতৈ খুন্তাবা' হায়বা খুন্নাইরোলগা মরী লৈনবা ৱারেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। অসিদা নত্তনা শৈরেং-ৱারেং কয়ামসু মণিপুর অমদি ত্রিপুরাদা ফোঙবা মেগাজিন পাউচেদা ফোঙখিবা লৈখ্রে। সাহিত্যদা 'মোইরাংথেম লৈহাউ তেম্বী নীংশিং সাহিত্য মনা' ফংখ্রবা মহাক ত্রিপুরাগী মৈতৈ নহাশিংগী অমত্তা ঙাইরবা প্লেটফোর্ম গৌরনগর য়ুথ ক্লব, খোয়াইনা অগরতালা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শক্তাকচে অমদি সোল তমদুনা কুমজা ১৯১৬তা ওকখি। তখেল লমদম অসিদা মৈহৌরোলগী ৱারী লীখুল লীবদা মহাক্কীসু শোয়দনা অচৌবা খুদোল লৈরি। শক্লাইরবা মহাক্না লৈখিদবসি ত্রিপুরা মণিপুরী খুন্নাই অচৌবা অমাঙবনি হায়রি।

## কানিগা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): স্পেসল কম্মান্দো এস পি ইন চার্জ টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীগী মীৎয়েং মখাদা খাবৈশোইদা লৈবা স্পিসল কম্মান্দো য়ুনিটকী ও সী এল বিভেকানন্দনা লুচিংবা টিম অমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্লাই চীংফৈগী প্রেসবাইটেরিয়ন চর্চকী মনাক্তা অচৎ-অঙোকশিং চেক তৌবদা নুপা অমা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা ময়াই কাবা চঞ্জাক কানি কেজি ৯.০৭ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, কানিগা কোন্ননা ফারবা নুপাদুগী মমিং থাংমুলেন বাইতে (৩৪), অপোকপা খাইপাও বাইতে কৌই, মহাক লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লমলাই চীংফৈ খুলদা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা কানিশিং অদু তোঙান তোঙানবা প্লাস্টিক পেকেট ৯ দা হাপ্লগা পুরকপনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা ৭৩৫০০ অমদি মোবাইল ফোন অমা য়াওনা ফংলে হায়রি। কানিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু মখা তনা ৱাহং-পাউহ্নং চথনবা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

## রিজল্ট অথুবদা হায়দোকপীয়ু : জে এ সী

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): ১০ অমদি ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়নগী রিজল্ট লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা হায়দোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর ১০শুবা অমসুং ১১শুবা আই আর বি আরএফএন. ২০১৯-বেটচ-জে এ সী ভাইভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেটকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক মীয়াম্না হংনখিবা অচৌবা ৱাহং অমা ওইখিবা অদুগী সী এম বিরেননা মীদিয়াগী থোঙদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা বি জে পি খক্তগী লৈঙাক অমা লাক্লবদি ১০ অমদি ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়ন অনী অসি হায়দোকপনা অহানবা খোঙথাং ওইগনি হায়না পীখিবা পাউখুম অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়খিবদু লৈঙাক অসিনা চহী ৪ ফারক্লবা মতম কুইনা ৱারক্লবা লমদম অসিগী নহাশিংগী খনবীদুনা অথুবা মতমদা ১০ অমদি ১১শুবা আই আর বি বট্টালিয়ন অনী অসিগী রিজল্ট অথুবা মতমদা হায়দোকপীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মৈ মমগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): য়ুরেম্বম সব-ষ্টেসন্না কোল্লিবা য়ুরেম্বম, অৱাং খুনৌ, কোন্থৌজম, সগোলতোংবা, খুম্বোং, কামোং, অৱাং জিরি, মোইদাংপোক, কৈথেলমানবী অসাম রাইফলনচিংবা মফমশিংদা দিমাপুর অমদি ইম্ফালগী ট্রান্সমিসনগী লাইন রি-কন্দক্টরিংগী থবক তৌবনা মরম ওইবনা এপ্রিল ৬ অমদি ৭কী অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল ৪ ফাওবা মৈ মুৎকনি। খুদোংচাদবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না আই ঈ দি-টু এম এস পি দি সী এলগী মেনেজরনা ফোঙদোরক্লি।

## 'পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোক্লগনি'

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা কুমজা ২০২১গী এপ্রিল থাদগী হৌদুনা চথুরকখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ওফ এন ঐচ-২ এক্সপান্সন এফেক্তেদ লেন্দ ওনর্সনা তান্দুনা লাকখিবা দিমান্দশিং পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থেঙ্খাং কয়াদা ৱারী শানদুনা থাজবা কয়া পীদুনা লেন্দ ওনরশিংগী ফংফম থোকপা কম্পেন্সেসনগী মমল হেনগৎপা য়াওনা দিমান্দ কয়া গভর্ণমেন্টনা থৌশাদবা অমদি পন্থহন্দুনা লৈবগী থৌওংশিং অসি পেন্দে। মরম অসিনা অর্বিট্রেটর হাপ্পগী থবক থুজিনবা, পি দব্লিয়ু দি সর্ভে অমদি চিথ্-নান্থহৌবশিংগী লিষ্ট থোকপীবা য়াওনা জে এ সীনা তানখিবা দিমান্দশিং অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রবদি থা অসিগী ৯গী অয়ুক পুং ৬তগী হৌরদুনা মথংগী নুমীৎ এপ্রিল ১১ গী অয়ুক পুং ৬ তাবা ফাওবা পুং ৪৮গী ওইবা জেনরেল ষ্ট্রাইক জে এ সীনা কোল্লিবা মফম খূদিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না জে এ সী অসিগী সেক্রেটরি, কনভিনর অমদি প্রসিদেন্টনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা অনা-অয়েক, লাইনিং-লাইশোল, মীদিয়া, ইলেক্ট্রিসিটি, ৱার্টর অমদি স্কুলনচিংবশিংদি কোনশিল্লোই। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খূদিংমক লৈঙাক্না পুগদবনি হায়রি।

## মহৈরোয় ১ তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৫ (ঐচএন এস): ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২দা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা য়ুম্নাম হুইদ্রোম গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল সেন্টরদা তাবা মহৈরোয় অমা ঙসি তান্থোকখ্রে। তান্থোকখ্রবা মহৈরোয় অদু ইংলিস সবজেক্টতা ঙসি এগজাম পীখিবনি। মহৈরোয় অদুগী রোল নম্বরনা ৪০৬১৪ নি হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেসন্স এল মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

/ খঙহঞ্জবা

PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL) গী হেদ ওফিস অমসুং ব্রাঞ্চ ওফিসশিংদগী লোন লৌবীখ্রগা শেল শীংবগী হৈনবী খরা ৱাৎপা অমসুং Financial Discipline ফজনা ম্যেনটেন তৌদবদগী Loan Defaulter ওইরকখ্রবা লোনী মেম্বরশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা এপ্রিলগী তাং ১০ ফাওবগী মনুংদা ইশা-ইশাগী হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা লোনগী due amount শিং অদু শীংদোক্লবা খঙহঞ্জরি। করিগুম্বদা হায়রিবা মতমসি ফাওবগী মনুংদা শীংদোক্তবা তারগদি SARFAESI Act. 2002 গী মখাদা ইশাগী প্রোপর্টিশিং অদু auction তৌজরগনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ- **T.D. Singh**
Assistant General Manager
Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal - 795001, Manipur

HL-B/7584/5,6

**ADVERTISEMENT OF PROJECT POSITIONS AT MANIPUR UNIVERSITY, CANCHIPUR, INDIA**

Applications are invited for the appointment of the following positions of the Department of Biotechnology (DBT), New Delhi, GOI funded project **"DBT-BUILDER-Manipur University-Interdisciplinary Life Science Programme for Advance Research and Education"**. Interested candidates may submit soft copies of the application in plain paper along with the supporting documents including complete CV, relevant experiences certificates and mark sheets and testimonials etc. should send in the e-mail- ***kbsingh@manipuruniv.ac.in***

**Project Positions**:

a) Project Scientist (Level-1): 1 position
b) Scientific Administrative Assistant: 1 position
c) Technical Assistant: 1 position
d) Field Assistant: 1position

Details information of qualifications and other term and conditions may get from Manipur University, Canchipur, India website https://www.manipuruniv.ac.in (recruitment section).

-sd-
Coordinator/Co-PI

HL-P/2154/5,6

INTERMEDIATE COURSE OF INDIAN STOCK MARKET
ELIGIBILITY :- MINIMUM 2 MONTHS TRADING EXPERIENCE
ONLINE COURSE IN MANIPURI LANGUAGE
BATCH STARTING FROM 6TH APRIL 2022
TIMING 8.00 AM TO 09.45 AM
DURATION :- 15 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE
COURSE FEE RS. 7999/-
INTRODUCTION OFFER RS. 4999/-
1ST INSTALL MENT- RS.2500/-
2ND INSTALLMENT - RS.2499/-
(AFTER 6 DAYS CLASS)
WHAT WILL YOU LEARN IN INTERMEDIATE LEVEL
WHAT IS OPTION TRADING | OPTION PRICING | WHAT IS PUT & CALL | EXPIRY | WHAT IS CPR | PLOTING OF CPR | MOVING AVERAGE | LIVE MARKET CLASS | TRADE MANAGEMENT | MONEY MANAGEMENT | TRADING PSYCHOLOGY
FEATURES:
RECORDED CLASS VIDEO AVAILABLE FOR 1 MONTH | WEEKLY CHART UPDATE NIFTY & BANK NIFTY FOR 3 MONTHS | LIVE MARKET DISCUSSION ONLINE MODE | CHART READING ADVANCE MODE
COMING SOON OPTION STRATEGIES COURSE
FOR ADMISSION CAN CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY, KAKWA LILANDO LAMPAK
HL-P/1990/5,6

ONLINE COURSE IN MANIPURI LANGUAGE
BECOME AN INVESTOR IN INDIAN STOCK MARKET
MANGAL TRADING ACADEMY
A FRIEND YOU CAN TRUST



8TH BATCH STARTING FROM 6TH APRIL 2022
TIMING 6.00 AM TO 7.30 AM
DURATION - 15 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE
COURSE FEE - RS.3999/- OFFER RS.2999/-
WHAT WILL YOU LEARN IN FOUNDATION
WHAT IS STOCK MARKET | IPO | BROKER | FOUNDATION OF PRICE ACTION | CHART READING | WHAT IS CANDLESTICK | IDENTIFICATION OF SUPPORT & RESISTANCE | IMPORTANCE OF FINANCIAL STATEMENT | TRADING PSHYCOLOGY | RISK MANAGEMENT | MONEY MANAGEMENT
FEATURES
RECORDED VIDEO AVAILABLE FOR 1 MONTH | STOCK SELECTION SUPPORT | WEEKLY CHART REVIEW SUPPORT FOR 1 YEAR | GUARANTEED RETURN UPTO 15% @ 1 YEAR | REFERRAL BONUS RS.500/- AVAILABLE ONLY FOR ADMITTED STUDENTS
FOR ADMISSION CAN CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
COMING SOON ADVANCED TECHNICAL ANALYSIS COURSE
MANGAL TRADING ACADEMY
HL-P/1990/1,2,4,5,6

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 32/SDC/WKG of 2022**

App :- 1. Laishram Keinya Devi W/o (Late) Leishangthem Churamani Singh of Singjamei.
2. Leishangthem Ibocha Singh S/o (Late) L. Churamani Singh of -do-

-Vs-

Opp :- 1) (Late) Leishangthem Churamani Singh S/o Pungton Singh of Nungoo
2) (Late) Leishangthem Krisnachandra Singh S/o (L) Churamani Singh of Singjamei Kshetri Leikai.

**/ NOTICE**

Dated, 04-04-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87- Nungoo পাট্টা নং 38, 130 & 87/181 দাগ নং 80, 113, 118/251 এরিয়া .82, 125 & 3.055 একর চাওবা ইস্তোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/2163/6

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 116/SDC/SLG/IE of 2022 Dated: 4/42022**

1. Elam Baleshore Singh S/o Late E. Nabakishore Singh of Laipham Khunou Maning Leikai.
2. Elam Sanjit S/o (L) E. Nabakishore Singh of Laipham Khunou Maning Leikai.
3. Elam Rohen S/o (L) E. Nabakishore Singh of Laipham Khunou Maning Leikai. -Petitioners

-Vs-

Late Elam Shamu Singh S/o (L) Jhulon Singh of Chingmeirong Laipham Khunou. -Opposite Party

**/ NOTICE**

Sagolmang, the 04/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ:ঈ: তহশিল খুল নং 102-Yumnam Khunou পাট্টা নং 311 (অরিবা) 496 (অনৌবা), দাগ নং 1043 মোট এরিয়া 1.64 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা এপ্লিকান্টশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang, Imphal East**

HL-P/2173/6

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER VIII-KAK**

**Ref :- Mutation Case No. 193/AS & SO/VIII-Kak of 2022**

1. Moirangthem ongbi Sanatombi Devi W/o (L) Bijoy Singh of Kakching Chumnang Leikai.
2. Moirangthem Ratankumar Singh S/o (L) Bijoy Singh of Kakching Chumnang Leikai.
3. Moirangthem Premjit Singh S/o (L) -do- of -do-
-Petitioners

-Vs-

Moirangthem Bijoy Singh S/o (L) Thambou Singh of Kakching Khullen. -OPP

**/ NOTICE**

Kakching, the 4th April, 2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ককচীং সব-দিভিজন খুল নং ৭০-নুঙু স্নামহী পাট্টা নং E অরিবা, ৭৬৩ অনৌবা, দাগ নং ৫২৩ এরিয়া ১.৮৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত পাট্টাদারগী লম অসি দংকারিশিংনা মখোয়গী মিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১২/৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **K. Niranjan Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer VIII-Kak

HL-P/2164/6

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 110/SDC/SLG/IE of 2022**

Parties :- 1. Maibam Bikash Meitei, S/o. (L) Jotin Meitei of Ishikha (.546 acre)
2. Maibam Boby Meitei, S/o. -do- of -do- (.15 acre)
3. Maibam Akash Meitei, S/o. -do- of -do- (.15 acre)
4. Maibam Gosan Meitei, S/o. -do- of -do- (.15 acre)
5. Maibam Gojen Meitei, S/o. -do- of -do- (.15 acre)
6. Maibam Iboyai Meitei, S/o. -do- of -do- (.15 acre)
-Petitioner

-Vs-

Late Pattadar :- Maibam Jotin Meitei, S/o. (L) Ibocha Meitei of Ishikha
-Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sagolmang, the 31/03/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Sagolmang তহশিল খুল নং 2-Yumnam Khunou পাট্টা নং 6 (অরিবা) 1048 (অনৌবা), দাগ নং 1290 মোট এরিয়া 1.47 একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপ্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপ্তি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপ্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
**Sagolmang, Imphal East**

HL-P/2172/6